ৱেথলিফটিং : থা ৬কী মতুংদা মিরাবাই অমুক হন্না মীয়াম্না এক্সনদা উবা ফংলগনি

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):

মশাগী অশোকপা অমনা মরম ওইরগা থা ৬ লোম শান্নবদগী পোত্থাদুনা লৈরুরবা মতুং টোকিও ওলিম্পিক্স সিলভর মেদলিষ্ট সাইখোম মিরাবাই চনু অমুক হন্না ৱেথলিফটিং মশান্নদা খোঙদারকপা মীয়াম্না উরগনি অমদি পেরিস ওলিম্পিক্সতা মণিপুরদগী হৌরকখিবী লিফটর অসিনা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

থাইলেন্দদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা আই দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড কপতা মহাক্না থা ৬ লোমগী মতুংদা শরুক য়াগনি। ৱর্ল্ড কপ অসি ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংগী ফাইনেল ইভেন্ট খক্তা নৎতনা পেরিস গেমসকীদমক্তসু খ্বাইদগী মরুওইবা ইভেন্ট অমনি। সাইখোম মিরাবাই মমাং চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা মহাক্কী নীংজোনগী শরুক্তা শোকপদগী ট্রিটমেন্ট চথদুনা লাকখিবনি। অদুমওইনমক মহাক পেরিস ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।

২০২৪ ওলিম্পিক্স ক্বালিফিকেসন রুলসকী মতুংইন্না ২০২৩ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমসুং ২০২৪ ৱর্ল্ড কপ ইভেন্টশিং শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়াবা মথৌ তারি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অনীসিখক নৎতনা লিফটর অমনা মখাদা পীরিবা ইভেন্টশিং অসিগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অহুমদি শরুক য়াগদবনি। ইভেন্টশিং অদুদি ২০২২ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ, ২০২৩ কন্টিনেন্টেল চেম্পিয়নশিপ, ২০২৩ গ্রান্দ প্রিক্স ৱান, ২০২৩ গ্রান্দ প্রিক্স টু অমসুং ২০২৪ কন্টিনেন্টেল চেম্পিয়নশিপ অসিনি। মিরাবাই চনু হায়রিবা ক্রাইটরিয়াশিং অসি হান্নমা মপূং ফাখ্রে। মহাক্না ২০২২ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমসুং ২০২৩ এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতা অথোই-অহেন চাংদম্নখি। মদুদা মহাক অনীশুবা অমসুং ৬শুবা তাখিবনি। ২০২৩ ৱর্ল্ড অমসুং গ্রান্দ প্রিক্স টুদা মহাক্কী অশোকপনা মরম ওইরগা শরুক য়াবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক পেরিস গেমসতা শরুক য়াবা য়ানবগীদমক মথৌ তাবশিং অদুদি মহাক্না পাঙথোকখ্রে।

সাইখোম মিরাবাই হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা মশাগী অশোকপনা মরম ওইরগা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। অনীরক কমনৱেল্থ গেমস চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মিরাবাই চনু মমাং চহীগী এসিয়ন গেমসতা মহাক্কী নীংজোন্দা শোকপদগী নীংবা কায়না লৈহৌখিবনি। অদুমওইনমক মহাক হৌজিক কম্পিটিটিভ এক্সনদা হল্লকপগা লোয়ননা পেরিস ওলিম্পিক্সতা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

অমরোমদা, মহাক্কী কোচ বিজয় শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, মিরাবাই নারুবদগী হল্লকপদমক ঙাইরি। ঐখোয়না মসিদা হাথু-হাথু থবক পায়খৎপা চুল্লোই। মহাক পেরিস ওলিম্পিক্সকীদমক মাংজৌননা ক্বালিফাইদ ওইখ্রবনি। মরম অদুনা মহাকপু টেন্সন পীবা অরানবা ওইগনি। ঐখোয়না মহাকপু অৱাংবা থাক্তা পর্ফোর্ম তৌবা ঙম্নবগীদমক হোৎনফম থোকপশিং হোৎনগদবনি হায়খি।

নিপানলক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট

অল-অমিন অমসুং এস সী সী সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা হৌজিক চথরিবা ৮লক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অল-অমিন লিলোং অমসুং এস সী সী সী শীংজমৈ থোঙাম লৈকাই দ্রো চৎখ্রে।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা এস সী সী সী অমসুং অল-অমিনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস অল-অমিননা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা এস সী সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। এস সী সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা উলেনয়াই খ্বাইরাকপম অমসুং লাইশ্রম রোনসননা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন রোনসনদি বোল ১৩ মায়োক্নবদা শুপ্নতগী রন ৭ খক লৌরল্লগা মোহমদ সমির খানগী বোলদা সগির অহমদনা ওক্তুনা আউট ওইখি। অদুগা উলেনয়াইনা বোল ৪৪ মায়োক্নবদা রন ৪৪ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়াম্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা এস সী সী সীগী বেটসমেন রোসন দাসনা বোল ২২ মায়োক্নবদা রন ২৯ অদুগা প্রদিপ তখেল্লম্বমনা বোল ৬ মায়োক্নবদা রন ১০ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমদবদগী ওভর ১৮ লোইরকপদা টিম অদুগী ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১০৫ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, অল-অমিননা টার্গেট রন ১০৬ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা নৱাজ অমসুং য়ুম্নাম রোহিটনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন য়ুম্নাম রোহিট বোল ৪ মায়োক্নবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা সন্দিপ চক্রবর্তিগী বোলদা লিসন মৈতৈ খাইদেমনা ওক্তুনা আউট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন নৱাজনা বোল ৫০ মায়োক্নবদা রন ৪৯ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়াম্নবা হোৎনবদা মতেং পাংখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনসু বেটসমেন খুল্লাকপম শাহদট অলিনা বোল ২৪ মায়োক্নবদা রন ২২ অদুগা মোহমদ সগির অহমদনা বোল ৭ মায়োক্নবদা রন ১২ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেনশিংনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মায়োক য়াবা ঙমদবদগী ওভর ১৮ লোইরকপদা টিম অদুগী ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০৫ লৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ঙসি অল-অমিন অমসুং এস সী সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু দ্রো চৎখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এস সী সী সীগী সন্দিপ চক্রবর্তিনা তাখি। মহাক্না ওভর ৪দা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি।

ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অম্পায়রশিংনা থোকচোম হেরোজিৎ অমসুং বিদ্যারাজনা ওইখি। রেফরিনা হিমট অদুগা স্কোররশিংনা ঐচ নন্দদেব অমসুং মাইবম রাকেশনা ওইখি।

নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী সেপাক টাক্রো টিম তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):

কর্নাটাকাগী দেবনগরিদা পাঙথোকখিবা ২৬শুবা সব-জুনিয়র অমসুং ২৭শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা মায় পাক্না শরুক য়ারুখিবা লমদমসিগী শান্নরোয়শিং অমসুং ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মীয়াম্না হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

সেপাক টাক্রো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা কর্নাটাকা এমেচর সেপাক টাক্রো এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬তগী হৌরগা ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা সনাগী মেদল ৩, ব্রোঞ্জ মেদল ৩ পূন্না মেদল ৬ লৌবা ঙমখি। মসিদা নৎতনা সব-জুনিয়র বোইজ অমদি জুনিয়র গর্লসকী টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা ৪শুবা মফম কনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ট্রোফি অনী অমগসু ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুর টিমগী কোচ ওইনা লুচিংখিবা পি দুরজিৎনা হায়, কর্নাটাকানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপতা সব-জুনিয়রগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ওইনা রেগু ইভেন্টতা সনাগী মেদল অমমম্গা লোয়ননা ট্রোফি অনী লৌখি। অদুগা জুনিয়র বোইজকী রেগু ইভেন্টতসু সনাগী মেদল অমা ফংবা ঙমখি। জুনিয়র গর্লস অমসুং জুনিয়র বোইজকী রেগু ইভেন্ট অমসুং সব-জুনিয়র বোইজকী ক্বাদ ইভেন্টতনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখিবনি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মেদল ৬ লৌদুনা মায় পাক্না হল্লকপা ঙমখিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

তা খৌশাবগী মতাংদা চথরকখিবা ৱর্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):

ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসন তাংখমনা শীন্দুনা নুমিৎ ১০নি চুপ্পা চথরকখিবা তা খৌশাবগী ৱর্কশোপ ঙরাং ওর্গনাইজেসন অসিগী তাংখমদা লৈবা থাঙ-তা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা লীক্লমগী শীন্তাকপুরেল থিংবাইজম ইবোহনবী মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন, ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ রোবেন কুমারনা থৌরম মপূ অমদি মীতৈ ইনাৎ শীন্দম অপূনবগী শীন্তাকপুরেল এন ইবোহল মৈতৈ, থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন থিয়াম লৈশাংখোংগী শীন্তাকপুরেল টি ঐচ কোরা, য়ুনিভর্সেল হুয়েল লাংলোন একাদেমি সমুরৌগী শীন্তাকপুরেল এস ঐচ ইবোমচানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লীগী মখাদা পাঙথোকখিবা ৱর্কশোপ অসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা লোইশিনবগী থৌরমদা তা খৌশাবা উৎখি।

কাং টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):

হিয়াংলম এন্দ ৱাবগাই কাংখূৎ (হোক) অমসুং ৱাবগাই অৱাং লৈকাই য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱালিদা)না শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা অহানবা লেট চবুংবম অমুতোম্বী অমসুং লেট এলাংবম মোটিলাল নীংশিং কুমওন ষ্টেট লেভেল কেন্দ্রৱাইজ ওপন লীগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে।

ৱাবগাই অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙসিদগী হৌদোকখিবা কাং টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না কাংখূৎ ১৩না শরুক য়ারি। ঙসি হৌদোকপা নুমিৎ ক্লাসা কৈনৌ অমসুং কে কে সী ও এলাংবম লৈকাইগী মরক্তা কাং কাপ্লখি। মদুদা ক্লাসা কৈনৌনা কে কে সী ও এলাংবম লৈকাইবু মায়থীবা পীখ্রে।

ট্রায়ল কম কোচিংদা শরুক য়াগদবশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):

কুমনিপাল্লক শুবা হিরো সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৩-২৪ (ফাইনেল রাউন্দ)দা শরুক য়ানবা মণিপুরগী সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিম শেম্নবগীদমক ট্রায়ল কম কোচিংদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

ট্রায়ল কম কোচিংদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকীপরদা ঈ পান্থোই চনু, এম লিন্থোইঙম্বী, কে মেলোদি, এম মোনালিসা, ৱাই য়াইফবী; দিফেন্দরশিংদা এন জি স্থিতি, দব্লিয়ু লিন্থোইঙম্বী, ৱাই পাকপী, ঐচ সিল্কি, টি ঐচ ক্রিতিনা, টি থোইবীসনা, এস ঐচ বন্তি, টি ঐচ সহেনা, পি ঐচ নির্মলা, কে অনিতা, ৱাই সরিতা, এন গীতাঞ্জলি চনুনি।

মিদফিল্ডরশিংদা য়াওরিবশিংনা এল প্রমেশ্বরী, এম মন্দাকিনী, এন প্রিয়াঙ্কা, ক্ষেত্রিময়ুম মার্গরেট, এল ববিনা, এন শিবানি, কে ঐচ মার্তিনা, এন রতনবালা, সী ঐচ বিনোমালা অমসুং এল মেনেকানি। অদুগা ফোরৱার্দকী ওইনা ট্রায়ল কম কোচিং অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খনখ্রবশিংনা এন জি বালা, এল বিবিচা, এস রিনারোই, এ রোজা, দাংমৈ গ্রেস অমসুং ঐচ দায়ানি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী জেনরেল সেক্রেটরি লাইফাংবম জ্যোটিরমোই রোইনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি অমদি শান্নরোয়শিং অসিনা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা মতম চানা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না মখা তারি।

CHANAKYA
IAS ACADEMY
3 Decades of Excellence, Extraordinary Results Every Year, 5000+ Selections in IAS, IFS, IPS and other Civil Services so far...
DELHI'S Prestigious Institute,
Now also in IMPHAL
A Golden Opportunity for the students
of Graduation 1st year & above
Free Seminar on
"How to Crack IAS Exam"
by SUCCESS GURU A K MISHRA (Founder Chairman - Chanakya IAS Academy)
15th April, 2024 11:30 AM onwards
Seminar Venue : Chanakya IAS Academy Imphal Centre
IAS First Batch: 10th May, 2024
Registration Open For Regular & Weekend Batches
Limited Seats Available
CHANAKYA IAS ACADEMY
Nurturing Leaders of Tomorrow
SINCE-1993
For Details, Call:
6909907134
Imphal Center : South Babupara, Near Babupara Durga Mandir
(Airtel Building) Imphal West - 795001
Toll Free No: 1800 274 5005 | www.chanakyaiasacademy.com
HL-B/8669/31/3-30/4

ꯑꯜ-ꯑꯃꯤꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯗ꯭ꯔꯣ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯦ

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯳꯱ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ):

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀ꯭ꯔꯤꯀꯦꯠ ꯑꯦꯁꯣꯁꯤꯑꯦꯁꯅꯅꯥ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯆꯠꯊꯔꯤꯕꯥ ꯸ꯂꯛꯁꯨꯕꯥ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯟ ꯁꯤ ꯑꯦ ꯗꯕ꯭ꯂꯤꯌꯨ ꯄ꯭ꯔꯍ꯭ꯂꯥꯗꯥ ꯑꯦꯟꯗ ꯗꯕ꯭ꯂꯤꯌꯨ ꯔꯃꯥꯅꯟꯗ ꯏꯂꯤꯠ ꯇꯨꯔꯅꯥꯃꯦꯟꯠ ꯲꯰꯲꯳-꯲꯴ ꯒꯤ ꯉꯁꯤ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯃꯦꯆ ꯑꯃꯗꯥ ꯑꯜ-ꯑꯃꯤꯟ ꯂꯤꯂꯣꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯁꯤꯡꯖꯃꯩ ꯊꯣꯡꯉꯥꯝ ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯗ꯭ꯔꯣ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯦ꯫

ꯂꯨꯋꯥꯡꯄꯣꯛꯄ ꯀ꯭ꯔꯤꯀꯦꯠ ꯁ꯭ꯇꯦꯗꯤꯌꯃꯗꯥ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯜ-ꯑꯃꯤꯅꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯇꯣꯁ ꯑꯜ-ꯑꯃꯤꯟꯅꯥ ꯉꯃꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯐꯤꯜꯗꯤꯡ ꯇꯧꯅꯕꯥ ꯈꯅꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯑꯍꯥꯅꯕꯥ ꯏꯅꯤꯡꯁꯇꯥ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯁꯤꯅꯥ ꯕꯦꯇꯤꯡ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤ꯫ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯁꯤꯅꯥ ꯕꯦꯇꯤꯡ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯏꯅꯤꯡꯁ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯎꯂꯦꯟꯅꯥꯏ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯔꯥꯛꯄꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯥꯏꯁ꯭ꯔꯝ ꯔꯣꯅꯁꯟꯅꯥ ꯑꯣꯄꯅꯔ ꯕꯦꯇꯁꯃꯦꯅꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯈꯤ꯫ ꯑꯣꯄꯅꯔ ꯕꯦꯇꯁꯃꯦꯟ ꯔꯣꯅꯁꯟꯗꯤ ꯕꯣꯜ ꯱꯳ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯕꯗꯥ ꯁꯨꯞꯅꯇꯒꯤ ꯔꯟ ꯷ ꯈꯛ ꯂꯧꯔꯝꯂꯒꯥ ꯃꯣꯍꯝꯃꯗ ꯁꯃꯤꯔ ꯈꯥꯅꯒꯤ ꯕꯣꯂꯗꯥ ꯁꯒꯤꯔ ꯑꯍꯃꯗꯅꯥ ꯑꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯑꯥꯎꯠ ꯑꯣꯏꯈꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯎꯂꯦꯟꯅꯥꯏꯅꯥ ꯕꯣꯜ ꯴꯴ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯕꯗꯥ ꯔꯟ ꯴꯴ ꯂꯧꯗꯨꯅꯥ ꯇꯤꯃꯒꯤ ꯔꯟ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗꯥ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯂꯃꯈꯤ꯫ ꯏꯅꯤꯡꯁ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯁꯤꯒꯤ ꯕꯦꯇꯁꯃꯦꯟ ꯔꯣꯁꯟ ꯗꯥꯁꯅꯥ ꯕꯣꯜ ꯲꯲ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯕꯗꯥ ꯔꯟ ꯲꯹ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯄ꯭ꯔꯗꯤꯞ ꯇꯈꯦꯜꯂꯝꯕꯝꯅꯥ ꯕꯣꯜ ꯶ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯕꯗꯥ ꯔꯟ ꯱꯰ ꯂꯧꯔꯝꯈꯤꯕꯥ ꯑꯗꯨ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯂꯦꯝꯍꯧꯔꯤꯕꯥ ꯕꯦꯇꯁꯃꯦꯅꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯔꯤꯕꯥ ꯇꯤꯃꯒꯤ ꯕꯣꯂꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯦꯇꯦꯛ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯅꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛ ꯌꯥꯕꯥ ꯉꯃꯗꯕꯗꯒꯤ ꯑꯣꯚꯔ ꯱꯸ ꯂꯣꯏꯔꯛꯄꯗꯥ ꯇꯤꯝ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯋꯤꯀꯦꯠ ꯷ ꯇꯨꯔꯒꯥ ꯔꯟ ꯱꯰꯵ ꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯂꯧꯕꯥ ꯉꯃꯈꯤꯗꯦ꯫

ꯑꯃꯔꯣꯃꯗꯥ, ꯑꯜ-ꯑꯃꯤꯟꯅꯥ ꯇꯥꯔꯒꯦꯠ ꯔꯟ ꯱꯰꯶ ꯂꯧꯕꯥ ꯉꯝꯅꯕꯥ ꯕꯦꯇꯤꯡ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯏꯅꯤꯡꯁ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯅꯋꯥꯖ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯝꯅꯥꯝ ꯔꯣꯍꯤꯇꯅꯥ ꯑꯣꯄꯅꯔ ꯕꯦꯇꯁꯃꯦꯅꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯈꯤ꯫ ꯑꯣꯄꯅꯔ ꯕꯦꯇꯁꯃꯦꯟ ꯌꯨꯝꯅꯥꯝ ꯔꯣꯍꯤꯠ ꯕꯣꯜ ꯴ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯕꯗꯥ ꯔꯟ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯂꯧꯕꯥ ꯉꯃꯗꯅꯥ ꯁꯟꯗꯤꯞ ꯆꯛꯔꯕꯔꯇꯤꯒꯤ ꯕꯣꯂꯗꯥ ꯂꯤꯁꯟ ꯃꯩꯇꯩ ꯈꯥꯏꯗꯦꯝꯅꯥ ꯑꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯑꯥꯎꯠ ꯑꯣꯏꯈꯤ꯫ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯑꯣꯄꯅꯔ ꯕꯦꯇꯁꯃꯦꯟ ꯅꯋꯥꯖꯅꯥ ꯕꯣꯜ ꯵꯰ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯕꯗꯥ ꯔꯟ ꯴꯹ ꯂꯧꯗꯨꯅꯥ ꯇꯤꯃꯒꯤ ꯔꯟ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗꯥ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯈꯤ꯫ ꯏꯅꯤꯡꯁ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯁꯨ ꯕꯦꯇꯁꯃꯦꯟ ꯈꯨꯜꯂꯥꯛꯄꯝ ꯁꯥꯍꯗꯠ ꯑꯂꯤꯅꯥ ꯕꯣꯜ ꯲꯴ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯕꯗꯥ ꯔꯟ ꯲꯲ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯃꯣꯍꯝꯃꯗ ꯁꯒꯤꯔ ꯑꯍꯃꯗꯅꯥ ꯕꯣꯜ ꯷ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯕꯗꯥ ꯔꯟ ꯱꯲ ꯂꯧꯔꯃꯈꯤꯕꯥ ꯑꯗꯨ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯂꯦꯝꯍꯧꯔꯤꯕꯥ ꯕꯦꯇꯁꯃꯦꯅꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯔꯤꯕꯥ ꯇꯤꯃꯒꯤ ꯕꯣꯂꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯦꯇꯦꯛ ꯃꯥꯌꯣꯛ ꯌꯥꯕꯥ ꯉꯃꯗꯕꯗꯒꯤ ꯑꯣꯚꯔ ꯱꯸ ꯂꯣꯏꯔꯛꯄꯗꯥ ꯇꯤꯝ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯋꯤꯀꯦꯠ ꯸ ꯇꯨꯔꯒꯥ ꯔꯟ ꯱꯰꯵ ꯂꯧꯕꯥ ꯉꯃꯈꯤ꯫ ꯃꯗꯨꯅꯥ ꯃꯔꯝ ꯑꯣꯏꯔꯒꯥ ꯉꯁꯤ ꯑꯜ-ꯑꯃꯤꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨ ꯗ꯭ꯔꯣ ꯆꯠꯈꯤꯕꯅꯤ꯫

ꯉꯁꯤ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯦꯟ ꯑꯣꯐ ꯗꯤ ꯃꯦꯆꯅꯥ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯁꯤꯒꯤ ꯁꯟꯗꯤꯞ ꯆꯛꯔꯕꯔꯇꯤꯅꯥ ꯇꯥꯈꯤ꯫ ꯃꯍꯥꯛꯅꯥ ꯑꯣꯚꯔ ꯴ꯗꯥ ꯋꯤꯀꯦꯠ ꯴ ꯂꯧꯕꯥ ꯉꯃꯈꯤ꯫

ষ্টেট লেভেল থাঙ-তা ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):

লিভিং আর্টস একাদেমি মণিপুরী (লমন) থাঙ-তানা শীন্দুনা সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লীগী শেন্থং মখাদা অনীরকশুবা ষ্টেট লেভেল ফেষ্টিভেল ওফ থাঙ-তা পাঙথোকখ্রে।

লমন থাঙ-তাগী নৈনশঙ কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা একাদেমি অসিগী প্রিন্সিপাল/দিরেক্টর ওইরিবা চুংখাম সুনিলকুমারনা হায়, ইরমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মাঙশিল্লক্লবা মহৈ অমা ওইরিবা থাঙ-তাগী মহৈ অসি হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা খঙহনবা অমদি মসিনা পীরিবা কান্নবশিং ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনবা ঙম্নবগী পান্দমদা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি। মমাংঙৈদগী ঐখোয়না মহৈ অসিগী মপাল তাংদুনা হিংলকপগা লোয়ননা থাঙ-তানা লমদম অসিবু ঙাক্তুনা লাকখিবনি। মরম অদুনা মমা-মপা ওইবশিংসু মচাশিংবু থাঙ-তানা পীরিবা কান্নবশিং অদু মপূং ফানা খঙহন্নবা হোৎনবদা হেন্না মতেং পাংশিনবা মথৌ তাই হায়খি।

Likla™
ꯂꯤꯛꯂꯥ
লৌমী শিন্মী য়োকখৎসি
ইরমদমগী পোখোক শীজিন্নসি
Likla
PASSION FRUIT DRINK
Likla
PINEAPPLE DRINK
Likla
PINEAPPLE
Processed from organically grown fruits of Manipur
Thangjam Agro
HL-B/8592/3/3-30/3 (alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1089

Eldar Alizada (1998) - Ana Williams (1913)
British Rapidplay 2024 Peterborough ENG, 2024.03.02

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nc3 d5 4.cxd5 Nxd5 5.e4 Nxc3
6.bxc3 c5 7.Nf3 cxd4 8.cxd4 Bb4+ 9.Bd2 Bxd2+ 10.Qxd2 O-O
11.Bc4 Nd7 12.O-O b6 13.d5 Nc5 14.Qf4 Bb7 15.Rad1 exd5
16.exd5 Qd7 17.d6 Ne6 18.Qf5 Bxf3 19.Qxf3 Rac8 20.Qd3 Nf4
21.Qe4 Qg4 22.Rd4...

QUESTION :
Black to win

Puzzle 1088 Solution :

44. Qg5+ Opening the line from h8 to h5. **hxg5** Blocking square g5. **45. Qh8#** Highstriker mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com